# চহী হৌবা-লোইবা হায়বসি - ধর্ম্ম’না লেপ্তে

‘চৈরাওবা’ হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাখুন থিরুবদা খঙলক্কনি, লীরবা পুৱারীগী লমায় হাংদোরক্কনি ... ফক্লাংদা থেৎপা, অইবা থাপালোন (ক্যালেন্দর) পুথোক্লক্ত্রিঙৈ চহী কুমওন অমা, চৈ থেক্তুনা নিংথৌকোনগী অঙম অথৌনা পারম্বদু লোইখিদুনা অনৌবা কুমওন (চহী) অমা হৌরে হায়বগী পাউ, লৈকায় খুদিং শগোল-পাউ চেন্দুনা লাউবগী থৌওং অমা চত্থরম্বদু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা ‘চহী হৌবা’ গী থৌরম অমনি। মালেম শিন্না পাঙথোক্করিবা ‘ন্যু য়র-দে’ হায়বা থৌরম অদুমক্নি। অদুবু, থৌরম অসি পাঙথোকপগী থৌওং অদুদি অতৈদগী তোংঙাল্লি, কনামত্তগীগা মান্নদে। অরিবা চহী চৎখিবগী, অনৌবা চহী থুংলবগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপা, অনৌবা ফিজোল হোংদুনা, অহাওবা মথেল লুকোয় লাঙদুনা চামিন থকমিন্নবদুদি তৌনৈ/ তৌই পূম্নমক্না। অদুবু, যূমথোঙ খুদিং/ইমুং খুদিং লাৎনরিবা লাই-নিংথৌ সনামহী (সন্নামহী) গী খুভমদা, লাইনিংথৌ-লৈমরেন অনীগীসু ফিজোল হোংবা, অথেন পোৎ কৎপা, মথেল লুকোয় লাঙদুনা থোং থাকপা তৌদুনা, ইমুংগী ৱাংমদা লৈবা লম-লাইগী শরুক তমদুনা থাদোল্লগা, যূমলোন্নবগা এঞ্জাং-মথেল লান্নদুনা চামিন্নবই থৌরম’সিমদি মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ নত্তনা অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তনা পাঙথোকপা থেংনদে। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা অতৈ ফুরুপ মচাশিংনসু তৌনদে।

মৈতৈ-চৈরাওবগী মরমদা ৱারেং ইগে তেমশিংলুবা নৎচদে। শজিবুগী নোংমা পানবদা অনৌবা চহী হৌখ্রে খন্দুনা চৈরাওব’ই থৌরম পাঙথোকখ্রবা মতুংদা, নহান ইরাই নুমিৎ, শজিবু থাগী কুনমরিনি পানবা নুমিত্তসু অমুক্কা, চহী হৌবা (চৈরাওব) ই নুমিৎ পাঙথোক্লখিবা, প্রেস য়াওনা লৈঙাক্কী লোয়শঙ পূম্নমকসু ছুটি থানখিবা - ৱাখল চয়েৎনবগী থৌওং অমা থোকপদুদা পূক্লিংসিদা ফাওরকপা ৱাখল খরা ফোঙদোক্লিংদুনা ইজরিবা ৱারেংনি। থিজিন হুমজিন তৌরুরগা ইজবা ৱারেং নৎচদে।

ৱারেংসিগী মচং ওইবা ৱারোল ইদ্রিঙৈ মাঙলমচত্তা থোকখিবা ৱারী অমত্তং লীজরমগে। চহী কুন-মরি/মঙাগী মমাঙদা থোকখিবা ৱারীনি - ঐগা লুনা তিন্নজবা মরুপ অমগা ঐহাক্কগী মরক্তা। ঐগী মরুপ্তু বামোন’নি - ব্রহ্মচারি ময়ূম। মহাকপু পোকপা পাবুংদু লৈকায়দুগী মায়কৈ ঙাকপা পাঞ্জিনি। জ্যোতিষনি, মীগী তুংলমচৎ তাকপনি - অসিগুম্বা নুমিত্তা, অসিগুম্বা থবক তৌরবদি মপুগী থৌজাল ফংগনি, নুংঙাই-য়াইফ ওইগনি... অসিনচিংবা। ঐখোয় অনী মরক মরক হিন্দুগী বেদ-সাস্ত্রগী মরমদা ৱারী শানৈ, মরৈ য়েৎনৈ। কংয়েৎ নত্তে, কন্সত্রক্টিব ওইবা অমনা অমদা মতেং পাংনবা মরৈনি। ‘হিন্দুইজম’ কৌবা ধর্ম্ম (ওর্গনাইজদ রিলিজন) অমা লৈতে, হিন্দু-লাইনীং চৎপা মীওই কাঙলূপ অমা লৈতে... ঐখোয় অনীনা তত্তনা য়েৎনবা মরৈ অমগী হীরমনি। নুমিত্তু মহাক্কী মচা অহল (নুপী) দুগী তরুক্নি-ঈপান (শষ্টি পুজা) নুমিৎনী। লমতা থাগী থাশি। নোং-ঙানবগা, শজিবুগী নোংমা পানবা চৈরাওবা, চহী হৌবা নুমিৎ। ঐনা অঙাংগী ‘দান থাদবা’ (য়াইফ-থৌনি পীবা) চৎপদু, নুংথিল তাল্লক ওইবনা, থৌরমদুগী চেবাউ ফংবা ইনভাইটি ইলাক-লাক্লরমদ্রি। চুম্না সুম শানরম্বা ৱারীদগী, নোংঙানবগা পাঙথোক্কদবা ‘শজিবু চৈরাওবা’ থৌরমগী ৱারী তারকপদুদা, কদোমদইনো খঙহৌদে - ইবানীগী ৱারীদু ‘হোৎ অর্গ্যুমেন্ট’ ওইরকখি। অতৈদগী নত্তে - মীতৈগী অনী থোকপী ’কলচর অসিবু নিন্দা তৌবা... ইপা-ইপু হাক্তত্তগী চৎনরকপা চৎনবীবু শীংনবা - নোংমা পানবদা চৈরাওবগী থৌওং অসি মহাক্না য়ানীংদবা ফোঙলকপদগীনি। অদুক হাক্লসু অকনবা মরৈ ওইরম্লোইদবদু সেন্টিমেন্ট’তা ‘হর্ট’ তৌবা ৱা য়াওনরকপদগী ওইখিবনি। ৱাফম অমদা ওপিনিয়ন অনী থোকপা - তাইবঙসিগী হৌনশানি। বেসিক ফাউন্দেসন অমদা যূম্ফম ওইদুনা য়েৎনরিবা মরৈনি। ঈশ্বর লৈ নৎত্রগা লৈতে- লোইনাইদ্রবা মরৈ, ঙসি ফাওবা য়েৎনরিবসিনি, মাগী মাগী থাজবনি। ঐগী ঐগী ফিরেপ্তু, লেঙলরোইদবনি খঙলক্লবদুদা ঐনা হায়রুই ... ‘ঙসি ঐনাইচানুপীগী ঈপান-থাবা য়াওরিবা, কৈদৌঙৈ পোক্কনি খঙদনা পোক্লকপা মপোকসিগী য়েংলগনি ... কৈদৌঙৈ শিনি খঙদবদুগী য়েংলগা, মরুপকী ইমুংদা থোকপা অশি-অনাগী থৌরমদসু য়াওবা লাক্কনি... অদুবু, নাহুৎ-নারেং-লুহোং-কৈহোং-অনৌবা যূম শঙ্গাবনচিংবা, শজিবু-কালেন-থাচৎসিগী থাবান য়েংলগা অফবা কোরৌগী য়াইফবা পুংফমনি খন্না পাঙথোকপা থৌরমশিংদদি ঐঙোন্দা চেবাউ পীবিরক্কনু, ঐহাক লাক্লোই... থাচৎ-থাবান অসিবু অচুম্বনি খন্না য়াবা ঙমদবা মরুপ্পা, ফাইরেন থাগী মঙানি পানবা (পঞ্চমি), কালেন থাগী হুমনি পানবা (তৃতিয়া) য়াইফবা কোরৌবু অফবনি লৌবদু থম্মোয়সিনা য়াবা ঙম্লোই, তৌশিন্নবনি লৌগনি... চৈরাওবা হেজ নথীং টু দু ৱিথ রিলিজন... ‘মৈতৈ চৈরাওবা’ ‘গৌড়গী চৈরাওবা’ হায়বা খোম্থোকসিমক অরানবনি’...।

ঐগী ৱাহৈদু মরুপ অমগী মফমদা হায়হৈদবা-তৌহৈদবা-অকনবা ৱাহৈ অমা ওইনা থোকখিবরা? নুমিত্তুগী মতুং, খরা লৈরগা থেংনবদা হায়রকখি... ‘মরুপ, নহাক্না ঐবু মীকপ থোকহনবীরে... হন্দক চহীদগী ঐহাকসু শজিবু নোংমা পানবদা চৈরাওবা হৌরে, অতোপ্পা চৈরাওবগী থৌরম অদুসু অহল-লমনশিংগী য়েংলগা অদুম পাঙথোকখিগনি’।

লোজিকেল ওইবা মাইন্দ সেট অমা লৈরম্বগী, মরুপ্তুগা ইবানিগী মরী’দু হেন্না চেৎশিন্নখিবনি। ফেনাটিক ওইবা মাইন্দ-সেট অনী থেঙ্গায়নবা ওইরল্লবদি চেৎনা-লুনা তিন্নরম্বা মরুপ অনী কায়নবগী থৌদৌ অমা তারমগনি।

ঙরাং পাউচে পুথোকখিদবগী মরম, নহান ফোঙখিবদু, নীংশিংবীয়ু ... ‘গৌড়-লাইনীং চৎপশিংগী চৈরাওবগী প্রেস ছুটি ওইবনা’... । চৈরাওবা হায়বা, অনৌবা চহী হৌবগী সেলেব্রেসন অসি মৈতৈ-ফুরুপ অসিগী ‘সনামহী’ লাইনীংগা মরী লৈনবা থৌরম অমা নত্তে। রিলিজিয়স ফেষ্টিবেল অমগুম উবা লানগনি। নহান ইরাই নুমিৎ, শজিবু থাগী থাশিরমদাই, কুন্মরিনি পানবদা পাঙথোক্লিবা চৈরাওব’ই থৌরম, শজিবু-কালেন-ইঙা-ইঙেন হায়বা থাপালোন’দা থাজবা কনাগুম্বা অমদা ‘চহী-হৌব’ ই থৌরমনি... করম্না থাজহনগনি?

চিংনবা অসি কোক্লবা, ইন্দিয়া’দা চৎনরিবা থাপালোন (ক্যালেন্দর) অসি করিনো/ করম্বনো? হায়ফেৎ নৈনবা তঙাইফদে। জুলিয়ন ক্যালেন্দর অমসুং গ্রেগোরিয়ন ক্যালেন্দর -অনীমক নুমিৎকী খোঙচত্তা যূম্ফম ওইবা (সোলার) ক্যালেন্দরনি। চৈত্র, বৈশাখ, জ্যেষ্ট, আসাড়, শ্রাবন... হায়বনচিংবা থাপালোন অসিনা থানা মালেম কোয়না চৎপা খোঙচৎ অমসুং অনী তূনা নুমিৎকী অকোয়বদা চৎপা খোঙচৎ অসিদা যূম্ফম ওইবনি। লুনার ক্যালেন্দরনি। অদুবু, থাগী খোঙচৎ’তা থাজদবা, নুমিৎপু ঈরাৎচরগা, মাগী খোঙচৎ য়েংলগা, মাগী থৌইনশিন্দগী হোংলকপা মহৌশাগী খোঙচৎ (সোলার ক্যালেন্দর) দা থাজজবা ফুরুপ অমসু থোক্লকই। ইন্দিয়ন লুনার ক্যালেন্দরগী অনীশুবা থা, বৈশাখ’ গী অহানবা (বঙ্গালিশিংনা পোইলা বৈশাখ কৌজবা) নুমিৎসিবু ইন্দিয়ন সোলার ক্যালেন্দরগী অহানবা নুমিৎনি লৌনখি। নীংথম-থা লোইখিদুনা কালেন থা হৌবা নুমিৎ (সঙ্ক্রান্তি) ওইনা ঈরাৎনখি। থাগী খোঙচৎ নত্তবা, নুমিৎকী খোঙচৎ হৌবা নুমিৎ, বৈশাখ-থাগী অহৌবা নুমিৎ অসিবুনি বেঙ্গল, অসাম, ওরিষা, টামিল নাদু, পঞ্জাবনচিংবা লমশিংদা ‘অনৌবা চহী হৌবা নুমিৎ’ ওইনা পালন তৌনৈ। কুম অমগী অনৌবা লৌরোক লোক্তুনা, ফৌগে থন্না হাপ্তুনা মোমোন মীনোক তম্বা নুমিৎ অদুনি পঞ্জাবীশিংগী বৈশাখি - চহী খুদিংগী এপ্রিল ১৩ নৎত্রগা ১৪দা তারগদবা। কুমজা ১৬৯৯, অসিগুম্বা কোরৌ অমদনি সিখশিংগী তরাশুবা গুরু ‘গোবিন্দ সিংহ’ গী হাক্তক্তা ‘খলসা’ শাগৈ পোকখিবা মখোয়না হায় - ঙসিদগী চহী ৫২৯৮গী মমাঙদগী নিংথৌ শক্তিকরন দোগ্রা কৌবা নিংথৌ অমনা ‘সাস্ত্র সঁবাদ’ নৎত্রগা ‘দোগ্রী-পহারী’ হায়না খঙনবা, নুমিৎ অমসুং মালেমগা লৈনবা মরীদা যূম্ফম ওইবা থাপালোন (ক্যারেক্টর) (ক্যালেন্দর) অসি পুথোকখি। খৃ: কুমশিংদগী হেন্না লীরে খন্নরিবা ‘মলিয়াফম-পালচা-কুমশিং ৩৪২২ শুরে খন্নরিবা থাপালোনসিগা ‘দোগ্রী-পহারী-কুমশীং’গা করম্বনা হেন্না লীবনো... কূপ্না থিজিন্ননীংলক্লে। সকা-ইরা (সকাব্দ), চন্দ্র-ইরা (চন্দ্রাব্দ), জুলিয়ন ইরা, গ্রেগোরিয়ন ইরানচিংবা পূম্নমকসিগা অমুক্তং চাংদম্নদুনা থিজিনবা তঙাইফদবা ওইরক্লে, ঐগীনা চুম্মী, নঙগীনা লাল্লি য়েৎনবগী মহুত্তা।

*—ইন্দ্রকুমার*

# য়েন্দ্রেম্বম রনধিরকুমারগী ‘মায়থোঙদা লোৎলিবা মমিশিং’ - (২)

লায়রবনা পৎ তৎলবা নুপা অমগী ৱাপলদা হুরানবা খূৎপু অমনা পুলিসনা তান্নরকপদগী লুপা খাউজাউ অমা লংশিল্লম্লগা চেনখি। যূমলোন্নবা নুপাদুনসু মদুবু উহৌবদগী য়েন্নসি হায়বদা য়াদদুনা খৎনরিঙৈ পুলিস লাকপনা হানখি। পূক্লিংসিদা নোক্লিংবা অমগা লোয়ননা ৱাখল খলহল্লি। অসুম্না, নোক্লিংবগী ইহুল চেনবা, নোকসি হায়রবসু ৱাখল অমা হেক খলহনবা ৱারীমচাগী শরুক খরা অদুম য়াওরি। মিহুল খঙবা মাইবা, হিংনয়াই থিবা, কাইনথংদা, গোপালগী চোলোম, মীখল, সার, নোংমৈগী শীজিন্নফম, মতা চাদবা, লিলাগী তাইবঙ, চাওখৎপা অসিনচিংবা ৱারীমচাশিং অসি নোক্না নোক্না ৱাখল খলহনবা ঙম্বা ৱারীমচাশিংনি।

থাজরকপা, হাইথরকপা লম্বী - হায়রিবা ৱারীমচাশিং অসিদনা মতম অমদা খূৎলায় পায়বা সিফাইশিংনা মীচমশিংবু মীফা-মীপূন অমসুং ওৎ নৈবা কয়া তৌদুনা হিংবদা লৈতাহল্লমদবা অদুগী মতাংদা ইবনি। ৱারীমচাশিং অসি পারুবদা খুন্নাইগী মথোঙ হুক্ত্রবা চৎনবী কয়াবু করেম্নদুনা নোকৱা শান্নরম্বা লৈখিদ্রবা জি সী তোংব্রাবুসু হেক হেক নীংশিংহল্লি। ময়ামসিগী মরক্তা নাকোইননা মচেক্তা য়ৈবা ৱারীমচাসু য়াওদবা নত্তে। খ্বাইদগী ৱাখল লৈরবা মীওইবনা খ্বাইদগী লমচৎ মোৎপসু মহেল্লি। নুপা নুপীগী মরমচৎতা মোৎপগী ৱারী ঙসিসু লোইবা লৈত্রি। মচি মচিদা কনা খঙহন-উহন্দনা লোঞ্জা লোনথুপ্পবা কয়া লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা লমচৎ নাইদবা নাইদবীশিংবু চৈরুবা তৌদনা নাকোইননা পুথোরকই ‘‘অশংবীগী মচা’’ হায়বা ৱারীমচা অসিদা। কৈথেলগী মচি মচিদা অহিং কয়া য়ারেক্তুনা নীরগা চাদুনা হিংজবী ৱাখল চোইরবী অশংবীগী মনাক্তা পোকপতা ঙাইরিবা অঙাং অমা থল্লমদুনা অঙাংদুগী মরাইবক অদু অশংবীদা শিন্নরমখি। অউবা অমদি অপাবশিংদা অশংবীবু নমজা নমথেক্লবীখ্রবী অমা ওইনা উহল্লকই। অরোইবদা মদুগী পাউখোং অদু মপূং ফানা ফোঙলমদনা অপাবশিংদা ইনশিল্লন্মী।

পীক্লবা নোংলিক কয়ানা অচৌবা ঈপাক ওইরকপগুম অইবা রনধির কুমারনা ঙসিগী ওইরক্লিবা, অসুম অসুম পুথরক্লবা মণিপুরী খুন্নাই অসিগী অচৌবা অশোয়বা মরমশিং অসি লমদম অসিগী মচি মচিদা শোয়রিবা মচেৎ মচেৎ কয়ানা পুনশিন্দুনা অচৌবা অশোয়বা অমা ওইরক্লবনি হায়বসিদা চেৎনা থাজবদু মহাক্কী খূৎইশিং অসিনা তাক্লি। নুপা হায়বা লৈতে, নুপী হায়বা লৈতে ময়ূম পাল্লগা মচাশিংবু নীংথিনা শেমগনি হায়বগী ৱাখল লৈতবা মীগী মশীংসু য়াম্মী। মচাশিংবুদি নিশানা হেন্না মরু ওইনা লৌদুনা ইরমদম ইখুন্নাই অসিবু শোথহনবদা চাউনা শরুক য়ারিবা মীগী মশীং ৱাত্তনা লৈরি। নাকল অমরোমদনা লাইরিক লাইশু তম্ববুদি মশা মশাগী খক্তা খল্লগা অহৌবা মাইক পান্দুনা হরাও-মথোই কাবনা হেন্না লুনা লৌজবসু ইরমদম অসিদা অদুম্মক চৎনরিবা অমোৎপা শাজৎ অমনি। যূমলোন কৈরোন্নবনা নুংঙাইখিরোই নৎত্রগা লাইরিক লাইশু পাগদবা মতমনি হায়বা নৎত্রগনা লাইরিক তম্ফম মনাক ওই-ওইদে হায়বা খঙশিন্নদনা অহৌবা মখোল থাদোক্তুনা অকোয়বদা অকায়বা পীরিবা মীওইশিং অদুবু কন্থি থোক্লা চৈনীংই। অদুদগীদি থোরকই লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিং - শরাক শান্নবা, ওজা চাউবা ঈ কারে অসিনচিংবা। লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা লোয়শঙ অমদা থবক অমগী চৎলুবদা শিন্মীশিং অদুনা মতমগী মমল খঙদনা শেঞ্জা থুমজাতবু উদুনা লমদম অসিগী চাওখৎ থৌরাংদা থিন্থহনবা হায়বসি লমদম অসিদা কুইনা চৎনরক্লবা লায়না অমনি। মসিবু অইবা রনধির কুমারনা ‘‘অরুবা থবক’’ হায়বা ৱারীমচাসিদা পুথোক্লি। যূমদা লোয়জবা হুই অমগী মমিংনি ‘‘জেকি’’ ৱারীমচা অসিগী মিংথোনসুনি। যূমদা লোয়বা শা ষণশিংগী মনুংদা মপু নীংজবদা হুই হায়নরিবনি। হুইবুদুনা গাড়ী শেম্লুরগা মমান্নবগা হীদাক খরা পায়মিন্নরগা খরা থেংলপ্পা হুই অথোংবগী শাদুম খরা জেক্কিগীদমকনি হায়দুনা পুরকই। অদুবু হুইগী শাদুম অদু জেকিনি হায়বসি নাকোইননা অপাবশিংদা ইনশিল্লম্লগা লোইশিনখি।

য়াম্না নুংশিবা ৱারীনি। ৱারী অসিনা অপাবশিংদা ৱাখল খলহন্দুনা চৈনা অমা পীবা ঙম্মী। হুই হায়বা শা অসিবু তাথী তাওইনা তৌবীরিবশিংগী মফমদা নুংশিবা পাউজেল অমা পীরি। করিগুম্বা হুই অদুনা ঐ নৎত্রগা ঐগী নুংশিরবা হুই অদু ওইরম্লবদি করি ওইগদগে হায়বদু মীনুংশি খঙদ্রবশিংগী মফমদা হংলি। নুপা-নুপী অনীমক হক মান্নরে হায়না লাউরবসু নুপাশিংনা নুপী ওইবীশিংগী মফমদা য়েংলিবা অশেপ্পা মীৎয়েং অদুদি কোকপা ঙমদ্রি হায়ববু ‘‘কোকপা ঙমদ্রিবা মচু’’ হায়বা ৱারীমচা অসিদা য়াম্না ময়েক শেংনা তাক্লি।

‘‘নুংশিদবা মাগী মনাক্তা’’ হায়বা ৱারীমচা অসিসু ইচম চম্না উরবসু মনুং য়ৌনা নৈনবা য়াবা ৱারীমচানি। যূম পানবা হায়বসি ফাগি নত্তে হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনবা ওইনা উই। নুপা অদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক তোয়না শীজিন্নদুনা লৈরগা যূম্বানমিন্নরিবা নুপী অদুনা খাঙবা ৱাবদু অপাবশিংদা ফজনা ফাওহল্লি। খাঙবা ঙমদদুনা রাধাসু মপামদা হল্লকই ইতোচাবু থাদোক্লম্লগা। নুপা নুপী অনীনা ফনা পুকচেল খোয়জেল তিন্নদ্রবসু থম্মোয়নুংদদি থৱায় ওইনা লেঙদনা থম্নবদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকই। ঐনা নুংশিখিদ্রে হায়রিবা ঐগী পুন্সি খোঙলোয়বু কনাগুম্বনা হেক মচৈরবদি মদুসু নুংঙাইতে। নুংশিবা হায়বসিদগী নাম্থোকপা হায়বসি অৱাবগী মশকনি। রাধাগা ইতোচাগা মতম খরা শকউনরুদবদু মতম খরগী ওইনা অমনা অমদা ওইনবগা চপ মান্নখি।

‘‘উপাল অমত্তং’’ হায়বা ৱারীমচাসিদা অইবা রনধির কুমারনা নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী নুপী অমগা পাখঙ অমগা নুংশি মরী লৈনবগী ৱারী শাগৎলি। অফবা অমা তৌননবা হোৎনবদা অয়েৎপা চাম্মনা য়েৎশিল্লকপসু হৌনশানি। পাখঙ ওইরবসু মরাইবক থীরবী অমবু চিংখৎপীবদা কয়ামুক য়াম্না কায়রবগে হায়বা ৱাহংসি মথন্তা হংনীংহল্লি।

পূন্না য়েংবদা রনধির কুমারগী ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিক অসি পাবদা থোইদোক্লা নুংঙাইবা অমা ফংবা ঙম্মী। মহাক্কী মফমদগী মখা তানা ফজরবা লাইরিক কয়া ফোঙলকপা ঙম্বা ওইরসনু।

*—মোইরাংথেম নেত্রজিৎ মীতৈ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৪

১) **‘‘শজিফু চৈরাওবা শীংশৎপগী মওং’’** কৌবা লাইরিক অসি কনানা ইথোক্লগা পুথোরকপনো?

২) **‘‘থাজমানবী’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবনা কনানো?

৩) **‘‘সাহেবকী থৌজাল’’** মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **‘‘পৃথিবীসে!/ফুগাইনা শাকায়রবা/লৈ অমনি নীংথিখ্রবা/ঈশ্বরগী খূবাক্তা হৌবা।’’** শৈরেং মচা অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। কবি অসি কনানো অমদি মহাক্কী করি মমিং থোনবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করম্বা শৈরেংনো?

৫) **‘‘যূমথক্তা ৱাহোং’’** মমিং থোনবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল মমিং করি কৌবা, অইবা কনাগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (১,২,৩,৪,৫)***

২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)

৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)

৪) রাজকুমার গিরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (১,২,৩)

৫) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)

৬) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৩)

৭) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪)

৮) থোংগ্রাম রোমেন, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৩গী ৱিন্নর*

***হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৩গী পাউখুম

১) **‘‘খুরোই হাওরা লমলাংতোং’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?
**:- অইবা - ডা. যামিনী দেবী; অনীশুবা খূৎনম- ২০০৫।**

২) **‘‘নঙগা ঐগা অমত্তনি’’** মমিং থোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং মসিগী অইবা কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল - মণিপুরী ফিক্সন; অইবা - ই দীনমনি; অহানবা ফোঙবা - ২০১২।**

৩) **‘‘প্রভু! ঐ খৃষ্টমাস য়াওজররোই’’** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - লাই ইমো; লাইরিক্কী মখল - ৱারীশিংগী খোমজিনবা; অহানবা ফোঙবা, জুলাই ২০০৫।**

৪) **‘‘অরোইবা শৈরেং’’** মমিং থোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো? লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল অইবা - রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর; লাইরিক্কী মখল - উপন্যাস; মণিপুরীদা হন্দোকপা - সুব্রাম (হাইলাকান্দি, অসাম); অহানবা ফোঙবা - ২০১৫।**

৫) **‘‘লম্মুক্লরে ঐহাক্তি/মাঙখ্রে, ঐগী লম্বেল।/থাংঙমদরে খোঙ অসি;/কদোমদনো, কদাইনো, চৎকদবা ঐগী লম্বেল/শুক্লবা, মম্লবা, মোৎলবা সীমেত্রি ময়ায়সিদা।’’** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। কবি অসি কনানো? মহাক্কী মমিং থোনবা লাইরিক্কী করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? **:- অইবা - মধুবীর; লাইরিক্কী মমিং - মচু মচুগী অতিয়া; লৌথোরকফম শৈরেং - ঐদি লম্মুক্লরে (লা. ৫৯); অহানবা নম্বা - ১৯৬৯।**

# থ্রিংথেম

থায়না মমাঙঙৈদা থ্রিংথেম কৌবা নুপা অমা লৈরম্মী। মাগী মশক মতৌ ফজবী, মানা য়াম্না নুংশিজবী নুপী অমা লৈরম্মী। মখোয় অনী অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী নুংশিনরকপনা ময়ূম পান্নরবা ফাওবা ঙাইহাক্তা থানদে। মতুনা চৎলে মৱানা ইন্নে। মৱানা থবক তৌরে মতুসু য়াওই। অসুম্না নুংশিননা পান্নরবা মতৈ মনাও অনী অসিগী মমিত্তা মচা অমত্তা উবা ফংখিদে। মতম খরা লৈরগা নোংমা মাগী নুপী অদু নাদুনা শিরে, মহাক পাখ্রা ওইরে। মতু লৈখিদবগী নুংঙাইতবনা মহাক চাবা থকপা চঙখিদ্রে, থবক ইনখাং শু-নোমখিদ্রে। নুমিৎ চূপ্পা শিখ্রবা মতুগী ৱাখল তৌদুনা ফমদুনতা লৈখ্রে। মাগী মতৌ অসি উবদা খুলগী অহল লমন মমান্নবশিংনা অতোপ্পা নুপী অমা থিনবা হায়রবসু মহাক্না য়ারমদে। থ্রিংথেমনা পামদা লশিং থাই, লৌউবা চৎলি। নোংমা মানা পামলৌ য়েংবা চৎলুবদা লশিং ময়াম পান্বীদগী হেক্তোক্লগা লৈবাক্তা থাদবা, লৌসু চাথোকপা উবদা শাউদুনা লাং থাক্লম্মী। নোংঙাল্লগা মানা থাক্লম্বা লাংদা করম্বা শা থুবগে য়েংবা লাকপদা শজি খুরাং অমা থুদুনা লৈরম্লে। মানা লাংদগী লৌথোক্লগা হাৎতোক্কে তৌরক্লবদা শজিনা, ‘‘থ্রিংথেম ঐবু হাৎকনু। ঐ অসি নহাক্কী লৈখিদ্রবী নুপীনা থারকপনি। মহাক হৌজিক খমনুং লৈবাক্তা নঙগীদমক্তা ৱাদুনা লৈ’’। শজি খুরাংগী ৱাদু তাবদা থ্রিংথেম ঙকপদা থেংখ্রে। ‘‘নহাক ঐবু খমনুং লৈবাক তান্না পুবিবা ঙমগদ্রা হংবদা ঙমগনি, ঐগী ইমৈ মৈতোল অসি পায়দুনা ঐগী ইতুং ইল্লকউ, খমনুং লৈবাক তান্না পুবিগে’’ হায়রকই। শজি খুরাংনা থ্রিংথেমবু খমনুং লৈবাক তান্না পুবিরকই। খমনুং লৈবাক য়ৌরকপদদি অঙকপা থৌদোক ঙাক্তা থেংনরে। মীওই খরনা তুরেল মথক্তা হিপ্তুনা থোং শারগা মথক্তা মীনা নেৎতুনা চৎলি। করিগী মীনা হিপ্তুনা থোং শারিবনো হংবদা মানা হিংলিঙৈদা থোং শিদোক্তুনা মৈ থাদোক্লুবগীনি খুমই। মকোক্তা ঈশিং পুনজাও পুদুনা চৎলগা থকপা ফংদদুনা খৌরাংবনা ঈশিং থক্কে লাউই। মসিনা করিগীনো হংলুবদা মানা হিংলিঙৈদা মীনা ঈশিং থক্কে নীবদা পীথক্তবগীনি খুমই। মকোক্তা মৈ পুরগা নিংথম্বনা থক থক নীক্তুনা চৎপা মীশিং অদুনা মখোয়না হিংলিঙৈদা মীনা মৈ নীবদা লৈনা লৈনা লৈতে হায়দুনা মৈ পীখিদবগী লাক্লরিবনি। অসুম্না অঙকপা ময়াম অসি য়েং য়েংলদুনা লাকপনা মাগী নুপীগী লৈফম য়ৌরে। মাগী শিখ্রবী নুপী অদুগা উন্নবদা মখোয় অনী লাপ্পা লাপ্পা লেপ্নরগা কপনৈ। অশিবা মীগা অহিংবগা নক্লবা য়াদে। চাবা চিঞ্জাকসু তিন্নদে। মফম অদুদদি শরূবু অহাওবা শাদুমনি খন্দুনা চাই। মখোয়না তিংখাকপু শওমনি খল্লি। লুক্রাক পায়বদা লুক্রাকতু খুদক্তা ঙা ওন্দুনা কম্বীদা ঙৌদুনা চাই। অদুগা মহাক্না লুক্রাক অদু পায়রুবদদি ঙা ওন্দে, মৈ থাবদা চাকথোকখি। অহিংবা মীশিংনা তৌবা থবক্কা খমনুং লৈবাক্তা লৈবা অশিবা মীশিংনা তৌবগা য়াম্না খেন্নে। চাবা থকপসু পূম্নমক খেন্নে। থবক থৌওং পূম্নমক পুমখেন খেন্নে। খমনুং লৈবাক্তদি ৱাইবু চেঙ ওইনা চানৈ। অসুম্না ওন্ন-তৈনবা অসিদা থ্রিংথেমদি খমনুং লৈবাক্তা লৈবা হৈনদ্রে, চাদা থক্তবনসু ময়াং য়াম্না কংশিল্লক্লে। মৱাগী অৱাবা মতৌ অসি উবদা মতুনা যূমদা হল্লো ঐ নোংমা লাক্কে, ঐখোয় অনী অমুক লৈমিন্নসি হায়না মৱাবু থেমদুনা খমনুং লৈবাক্তগী ময়ূমদা থারকই। মতুগী ৱাদু থাজরদুনা থুনা লাকউ হায়রম্লগা থ্রিংথেম ময়ূমদা হল্লকই।

থ্রিংথেম খমনুং লৈবাক্তগী হল্লকপগী পাউ তাবদা খুলগী মীয়াম লাক্তুনা খমনুং লৈবাক্কী ৱা হংলম্মী। থ্রিংথেমনা খুলগী মীয়ামশিংদা খমনুং লৈবাক্তা তৌবা থবক থৌওংশিং অদু অমত্তা চিখ্নদনা তমখি। খমনুং লৈবাক্তদি হৈমাংগী মশানা কবাক থাঙ অফবা ওইনা শীজি নৈ। হিংলিঙৈদা কৈ, শা, শাওম্নচিংবা অচৌবা শা হাৎলবদি শিরবা মতমদা খমনুং লৈবাক্তা মখোয়না হাৎখিবা শাশিং অদুগী মথক্তা নুংঙাইনা তোংদুনা চৎলি হায়নসু খুলগী মীয়ামদা খঙহল্লি। মীগী মৱা লৈবা নুপী ঙাঙনরগা খমনুং লৈবাক্তা লৈফম লৈতে, ৱানা লেল্লি। থ্রিংথেমগী ৱাশিং অদু তাবদা মখোয়না চৎলম্বা ফত্তবা শাজৎ থাদোক্তুনা নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা অফবা থবক তৌরসি ঙাঙনখি। নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা অনালশিংনা অশিবা মীগী মংলা থাবা মতমদা শরূনা শাগী মহুৎ শিনখি। ফৌগী মহুত্তা ৱাই হাপ্পা হৌখি।

থ্রিংথেম মাগী শিখ্রবী নুপীদু লাক্কনি খন্দুনা মহাক নুংঙাইনা লৈখি। অসুম্না মতম খরা লৈরগা নোংমদি শিখ্রবী মাগী নুপী অদু ময়ূমদা লাকপদু থ্রিংথেমনা লাপ্পা উরম্মী। লাপ্লিঙৈদদি মাগী নুপী অদু শিদ্রিঙৈগী ফীভম অদু ইকায় কায়দে, নকশিল নকশিল্লক্লগা অসুম অসুম পীকশিল্লকই মাগী থোঙ্গাল য়ৌরকপদদি পীকমনখিদুনা মশক উখিদ্রে, অদুগা হয়িংখোই ওন্দুনা ময়ূম তম্না পাইশিল্লক্লে। থ্রিংথেমনদি মাগী নুপী অদু থোঙ্গাল ৱাংমদা উরম্লগা মাঙখিবা অদুদা ঙক্তুনা লৈরিঙৈদা মাগী নুপীনা ওনবা হয়িংখোই অদুনা মনাকোং ময়াদা ঙংদুনা পাইররে। থ্রিংথেম্না শাউদুনা করম্বা হয়িংখোইনো হায়না মখূৎনা কন্থবদা মখূত্তা চিক্লম্মী। হয়িংখোইনা চিকপদা মখূৎ অদু হু কাদুনা য়াম্না চাউনা পোন্লে। অপোম্বদু লাইজৌদুনা মতম খরা লৈরগা থ্রিংথেম শিরে। মাগী মথৱায় মঙানা খমনুং লৈবাক্তা চৎখ্রগা মাগী নুপীগী মনাক্তা লৈখ্রে। মখোয় অনীনা হিংলিঙৈদা তাইবঙপান্দা নুংঙাইনা নুংশিননা লৈমিন্নবগুম খমনুং লৈবাক্তসু মখোয় অনী য়াম্না নুংঙাইনা লৈমিন্নখি।

**-সরাংথেম বরমনি, সাহিত্য ভুষন**

(অইবগী ফোঙখ্রবা ৱারীমচাগী লাইরিক ‘চীং-তমগী ফুঙ্গা ৱারী’ দগী লৌখৎচবা)